# RNU, IMPHAL

# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM

**(DATE 23-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ২৩-০৪-২০২৪, লৈবাকপোকপা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজম সুনিনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মনিপুরদা ঙসি খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লি।

২) চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়ু.কে.এল.এফকী কাদর অনি খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা ফারে।

**অমসুং**

৩) পাকিস্তাননা শৌগৎপা তেরোরিস্তশিংনা চথ্থরকপা অকিবা থৌওংশিংগা মরী লৈননা এন.আই.এনা জম্মু কাস্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা ঙরাং থীবা হুম্বগী থবক চথ্খ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**খোংজোম(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাগী খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি । থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েলদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। তুংদা গার্দ ওফ ওন্নর, জেনরেল সেলুট, লাস্ত পোস্ত খোংবা, মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্পনচিংবা পাঙথোক্কনি। খোংজোম তুরেলদা অথৌবশিগী মফমদা মীয়ামা তরপন কৎকনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবশিং অমসুং লুপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইপা ইপুশিংনা লৈবাক্কী নিংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা থৱাইনা পোন্থা পীখিবা অদু ঙসিসু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। অথৌবশিংনা ঐখোয়গীদমক য়াৎপিরম্বা লম্বীদা নুংশি চান্ননা অমসুং অমত্তা ওইনা পুন্সিন্দুনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ইং ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মনিপুরি লানদা মরৈবাক নিংবা পাউনা ব্রজাবাসিনা লুচিংদুনা অথৌবা কয়ানা বৃটিশকি মায়োক্তা ইমা লৈবাক্কী নিংতম্বা কন্নবগীদমক হনবা লৈতনা লানথেংনখি অমদি ইমা লৈবাক্কীদমক থৱাই কৎখি।

নুমিৎ অসি লাকপনা মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ঐখোয়দা অচৌবা পরা অমা তন্বীরে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগা লোয়ননা মহৌশাগী নুংশি চান্নবা অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়রি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা মহুদ মন্ত্রি য়ুমনাম খেমচান্দনা, মনিপুর বিধান সভাগী সদস্যা আর.কে ইমোন,বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশ, ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা আইননা থীংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী অপুনবা লুপ কোরকোমনসু মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়ু.কে.এল.এফকী কাদর অনি খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা ফারে। মনিপুর পুসিল কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিগী সঙ্গাইকোট পুলিস ষ্টেসন মনাক্তগী ফাগৎখিবা মীওই অনি অসিদগী নাইন এম.এম বেরেটতা পিস্তোল, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুস্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। থৌবাল জিলাদগী মীওই অনি হেরোইন পাউদরনি চীংনবা সাপোন কেপ্তা হাপ্তুনা পোরকপা পোৎশক অমগা কোন্ননা ফারে । মখোয়দগী কিলোগ্রাম অনি মখায় রোম লুম্বা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎশক অসি ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা য়ু.জি.আউটফিটকী মীওই ৫ ঙরাং কামজোং জিলাদগী ফাগৎখি। মখোয়দগী শেলসু ফংখি।

**কামজোং(এল)ঃ** লাক্লিবা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সর্টিট্যুন্সিগী লোক সভা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা কামজোং জিলাগী বুট লেবেল ওফিসরশিংগী অরোইবা ত্রেনিং ঙরাং লোইশিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসর কামজোংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- বি.এল.ওশিংগী অরোইবা ত্রেনিং অদু ঙরাং উখ্রুলগী মিনি সেক্রেটরিয়েত্তা লৈবা কামজোং ইলেক্সন হোলদা পাঙথোকখি। মদুদা ফংয়ার, কামজোং ,কাসোম অমদি শাহমফুং সব-দিভিজনগী বি.এল.ওশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জিলা অসিদা হয়েং নুংথিল পুং ৪ দগী লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর কামজোংনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীখল অসি শান্তি লৈনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক মীখল লোইদ্রিবা ফাওবা হয়েং নুংথিলদগী জিলা অসিগী মফমশিংদা লাউদ

স্পিকরশিং শীজিন্নবা থীংবনি।

**নোনে(এল)ঃ** লাক্লিবা আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সর্টিট্যুন্সিগী লোক সভা মীখল অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি লৈনা পাঙথোকবগীদমক নোনে জিলাগী মফমশিংদা য়ু-নচিংবা, ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং য়োনবা থিংজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ত্রেদ নোনেনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা মীখল অসি থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ভোট থাদনবগী মতম লেপখ্রে। মরম অদুনা জিলা অসিগী ভোট থাদনগদবা মফমশিংগী অকোয়বদা হয়েং নুংথিল পুং ৪ তাবদগী য়ু-নচিংবা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং য়োনবা থীংজিনলে। অথিংবা অসি ভোট হায়দোকপা নুমিৎ জনগী তাং ৪ দসু লৈগনি হায়রি।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা চহি ১৫ মখাগী নুপা মচাগী অমসুং চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপী মচাগী জিলা থাক্কী সুব্রোতো মুখরজি ফুটবোল টুরনামেন্ত মথং থাগী ২১ দগী ২৫ ফাওবা লাঞ্জিং ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দা পাঙথোক্লগনি।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকী চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা টুরনামেন্ত অসিদা শরুক য়ানবা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি ।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**এন.আই.এঃ** পাকিস্তাননা শৌগৎপা তেরোরিস্তশিংনা চথুরকপা অকিবা থৌওংশিংগা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না জম্মু কাস্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা ঙরাং থাবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। লাসকর -ই-তোইবা, জেস.ই.মোহমদ, হিজবুল

মুজাহিদিন অমদি অলকায়দগা মরী লৈনরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা এন.আই.এননা থীবা হুম্বগী থবক চথখিবনি।

এন.আই.এনা চেরোল অমদা হায়-থীবা হুম্বগী থবক চথবা অদুদা তোঙান তোঙানবা দেতাশিং য়াওবা দিজিতেল দিভাইস কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুদগী কুপা থীজিনবদা লৈবাক অসিদা অকি অখঙ পোকহনবা য়াবা ৱাফম কয়াগী ৱারি ৱাতাই শান্নবা অমদি বোম পোখায়হন্নবগী থৌরাং তৌবা কয়া য়াওরি। তেরোরিস্তশিং অসিনা মরুওইনা জম্মু কস্মীরগী নহাশিংদা আইননা য়াদবা থবক কয়া চথদুনা নহাশিংবু কীহন্নবা হোৎনৈ হায়রি।

**এৱার্দ ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙরাং লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওইশিংদা পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে। রাজ্য অসিগী উখ্রুল জিলাগী নুংবি হায়রগা খঙনবা নোংপী খুলদগী মমিং লৈরবা চাফু শাবা মচিনহান সাসাদা পদ্মাশ্রি এৱাদ খুশিন্নখ্রে।

নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা সিভিল ইভেস্তিচর থৌরমদা হান্নগী উপ-রাষ্ট্রপতি এম. ভেনকয়া নাইদু অমসুং ভারত নাটয়মদা ডাঃ পদ্মা সুব্রমনিয়ম অমসুং বিন্দেশ্বর পাথকতা পদ্মা ভিভুসন পীদুনা ইকায় খুমখি। বিন্দেশ্বর পাথকতি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মনা অসি পীবনি। পদ্মা ভুসন ফংলবশিংগী মনুংদা- এক্তর মিথুন চক্রাবোর্তি অমসুং শৈশাকপী উসা উথুপ য়াওরি। ফিলান্ত্রোপিস ডাঃ সিতারাম জিন্দাল, কার্দিওলোজিষ্ট ডাঃ তেজাস মধুসুদন পাতেল অমসুং হান্নগী উত্তর প্রদেশকী রাজ্যপাল রাম নায়কসু পদ্মা ভুসন পীদুনা ইকায় খুমখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ পদ্মা এৱার্দ অসি কেটগোরি অহুমদা পীবনি। মখোয় অদুদি- পদ্মা ভিভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রীনি

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**

**হৌজিক ৱাইখোম চিত্ৰাধনি লৈরে--**

**-চিত্ৰাদনি-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা ঙসি খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লি।

২) চুরাচান্দপুর জিলাদগী য়ু.কে.এল.এফকী কাদর অনি খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা ফারে।

**অমসুং**

৩) পাকিস্তাননা শৌগৎপা তেরোরিস্তশিংনা চথরকপা অকিবা থৌওংশিংগা মরী লৈননা এন.আই.এনা জম্মু কাস্মীরগী তোঙান তোঙানবা মফম ৯ দা ঙরাং থীবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

**--**

**-নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-সুনি**

**পোকফমদা** -পোল্লিং ষ্টেসন ১১ গী রিপোলদা চাদা ৮১ থাদনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিদা রিপোল মনুংদসু কংগ্রেসকী পোল্লিং এজেন্দা কিহল্লকখ্রে হায়না কলর হেদলাইন অমা পীরি।

**হুইয়েন লানপাউদা** - লানগী ৱান্নরিবেঁদা মনিপুরদগী লুপা কোতি ১০০ গী মথক্তা খোমগৎলগা লোৎখ্রে হায়বা ক্যনেট ভিতিম এসোসিয়েসন ককচিংগী ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনদা**- মনিপুরদা প্লাস্তিক শিজিন্নবগী চাং য়ামা ৱাংলে হায়বা দি.এম য়ুনিভার্সিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা** - মীয়ামগী খোল্লাউ হায়বা হিরমদা এস.টি .দিমান্দগী এৱেনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

**সনা লৈবাক্তা** - তমেংলোংদা মীখলগী দ্যুতি থাবগী পুলিসশিং ইরাং হৌরকখ্রে, মীখলগী দ্যুতি থাবগী মহুৎ লান ওইনা থাবিয়ু হায়বা পরসনেলশিংগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**ঈচেল এক্সপ্রেসতা** - ৱার্ল্ড অর্থ দে ২০২৪ পাঙথোকখ্রে, অমুক্তং শিজিন্নবা প্লাস্তিকা ইকো সিস্তেমদা চাউনা অকায়বা পীরিবা হায়বা প্রোফেসর রাজমুহোগী ৱাফম এক্কর কলমদা ফোংলি।

**পিপলস ক্রোনিকলদা** - তমেংলোংদা এন.পি.এফকী মীরেপকীদমক বি.জে.পিনা ভোট খোমখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।
**নহারোলগী থৌদাংদা-বি.**জে.পিগী ৱাকর অমগী ময়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**মনিপুর মেলদা** -সিঙ্গাপুর অমদি হোংকোংদা ভারতকী মরু মরাংগী ব্রান্দ ওইরিবা এম.দি.ঐচ অমদি এভেরেস্ত অথিংবা থমখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ে
ফাংলি।

**মনিপুর নিউজতা**- রিপোল পাঙথোকপা নোর্মেল দিমোক্রেতিক প্রেসেসনি, মীখলগী সেক্যুরিতি এরেন্সমেন্ত ষ্টেটকা মরী লৈনদে ,ই.সি.আইগী দাইরেক কন্ত্রোল মখাদা পাঙথোকপনি হায়বা পাউ অসি এক্কর কলমদা ফোংলি।

**মোর্নিং বেলদা** -রিপোল শান্তি ওইনা থাদনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা**- কুকি রিভোলুসন্নরি অর্মিগী চিফ অমদি য়ু.কে.এল.এফকী লিদরগী মায়োক্তা লৈরিবা কেস অসিগী ত্রাইয়েল মনিপুরগী মপানদা তৌন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা এন.আই.এদা খঙহনখ্রে হায়না ফোংলি।

**গানফিউ মেলদা** - আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিগী এন.পি.এফকী মীরেপ তিমোথি জিমিক্কী ইলেক্সন কেম্পেইন তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

**তমেংলোং টাইমসতা**- চহি অসিগী মেত্রিক পারিক্ষাগী রিজল্ট মে থাদা

লাউথোক্লগনি, গ্রেদিং সিস্তেম ওইরগনি হায়না বোসেমনা লাউথোকখিবগী পাউ অসি ফোংলি।

**দ চামদা**- এন.এস.সি.এন (য়ু)গী অতো কিলোন্সর এন কিতোবি মহাক্কী পোস্তদগী লৌথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

--**সুনি**-

--